**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-04-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি উখ্রুল জিলাদা চৎতুনা নাগা অমসুং কুকিগী মীয়ামগা উন্নদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা উখ্রুলগী দি.আর.দি.এ. হোলদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-উখ্রুলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা মহাকপু তরামা ওকপগী মীফমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা ৱাথোক পুমমক ৱারী শান্নরবতদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি। ঐখোয় অমত্তনি হায়না ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অহানবদা ঐখোয় ভারত মচা ঙাক্তনি। অদুগা অনিশুবদনা ঐখোয় মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা মনিপুরি ঙাক্তনি। ঐখোয়গী মরক্তা অমনা অমগী নাৎ-চৎনবীশিং ইকায় খুমনা হিংমিন্নগদবনি। চয়েৎনরিবা ৱাথোক খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা পুকচেল শেংনা শরুক য়ামীন্নসি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি অয়ুক উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরস তমা চৎপগী লম্বীদা সংকাই অমসুং থৱায় কুকি খুলদা মহাকপু মফম অদুগী মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকখি। মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা ঈশিং, হকশেল অমসুং লম্বী থোংগা মরী লৈননা পুখৎলকপা ৱাফমশিং মুখ্য মন্ত্রিনা তাখি অমসুং য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা লমদম অদুগী মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং কোকহনগনি হায়না থাজবা পীরমখি।

মহাক্কী খোঙচৎকী মনুং চন্না মুখ্য মন্ত্রিবু সিকিবুং ভিলেজতা মফম অদুগী মীয়ামনা হরাউ তয়ামা ওকখি। মফম অদুগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং নীংথিনা পায়খৎনবা অমসুং শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লৈহন্নবা মহাক্কী সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুগী তাংখুল খুঞ্জাশিংদা থাজবা

পীরমখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা উখ্রুল সহর য়ৌগদবা কিলোমিতর ২৫ রোম ৱাৎলিঙৈদা লৈবা রামভা খুলদা চত্তুনা নেসনেল হাইৱে-১৫০ উখ্রুল কোহিমা রোড য়াওনা মফমদুদা পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্টশিংগী থবক য়েংশিনখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা উখ্রুল টাউন্দদা রিজিদ পেভমেন্ট থারিবা অদু য়েংশিনখি অমসুং শিরুই ভিলেজতা চৎতুনা শিরুই হেরিটেজ প্রোজেক্টকী যাত্রা হৌনখি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল মথং থাগী ২৩ দা পাঙথোক্লগনি। মসিগীদমক শেম শাবা হৌরে।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, টুরিজম মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং লোয়নখি।

**কেপ(এল)ঃ** মনিপুরদা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং অমসুং এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈতে। মীয়ামনা নুংনাংবা পোকপীগনু হায়না রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দিরেক্তর-কে. বোনোনা হায়রি।

ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা আই.ও.দি.এলগী ইম্ফাল দিভিজনেল ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বোনোনা হায়-নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামনা পেট্রোল, দিজল অমদি চাক থোংনবা গ্যাস-এল.পি.জি. ফংলরোই হায়বগী মীপায়বা তৌবীগনু। মহাক্কী বিভাগকী মায়কৈদগী মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসি মহৌশাগুমা মরাং কায়না ফংহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎলি। হৌজিকসু লৈবাক অসিদা হান্নগুমা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং এল.পি.জি. লেপ্তুনা পুশিল্লক্লি। গ্যাস বুক্কিং তৌবদা দিজিটাইজেসন তৌরকপদগী মীয়ামনা নীংথিনা খঙনবা ৱাৎপদগী এল.পি.জি. ফংহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োকরি। অদুবু, মসিগী মরমদা মীয়ামনা নীংথিনা খঙলবদি গ্যাস বুক্কিং তৌবদা হেন্না লায়থোকহনগনি।

**কন্দেম(এল)ঃ** ত্রোংলাউবীদা অঙাং অনি হাৎখিবগী থৌওং অদুবু পুরুম রিয়েম কাউন্সিল মনিপুরনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা চংশিল্লকপা খোঙজংদা কাউন্সিল অসিনা শৌগৎকনি।

**এক্সিদেন্ট(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ কী, তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চনবা আজ্রাম ভিলেজ অমসুং মক্রু তুরেলগী মরক্তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই অনি লৈখিদ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মীওই মঙা তোংবা জিপসি অমনা অসাম তমা চৎপগী লম্বীদা লোকচপ অমদা তাশিনদুনা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুদা রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন-মনিপুর তমেংলোংগী মরুওইবা থৌ পুবা মীওই অনি লৈখিদবনি।

**ডেড(এল)ঃ** ইম্ফালগী দিংকু রোডতা লৈবা আই.এস.বি.টিগী অনিশুবা গেট মমাংদগী ঙরাং নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা গ্যান মাংদুনা তারম্বা নুপা অমা ফংলে। নুপা অদু রিমস হোস্পিতালদা পুখৎলবা মতুংদা ডাক্তরনা মীওই অদু লৈখিদ্রে হায়না লাউথোকখি। মীওই অদু দ্রগ ওভর দোজ ওইবদগী শিরম্বা য়াই হায়রি।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা সু মোটু কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী হকচাং রিমসকী মোর্গতা থল্লি।

**ডে (এল)ঃ** ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ৪৬ শুবা রিএলাইজেসন ডে (মীকপ থোকপা নুমিৎ) ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কুমশি চহিগী নুমিৎ পালন অসিগী থিমদি-‘মনিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা

খঙমীন্নরসি ’ হায়বসিনি। মপুং ওইবা থৌরম মণিপ্‌র কলেজগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখি। নোংঙাল্লমদাইদগী য়াকাইরোল শক্তুনা নুমিৎ পালন অসি হৌখি। পীশুম চীংঙামচাদা লৈবা ষ্টুদেন্টস মার্তিয়রদম কমপ্লেক্সতা লৈ কৎপা, পীশুম চীংঙামচাদগী য়াইস্কুলগী মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম.দি.য়ু) হোল ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎপা, ১৯৮০ গী ফোরেন নেসনেল ইসুগী হিরোশিংগী ইমুং মনুংদা ইকায় খুমবা উৎপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

এম.দি.য়ু. হোলদা পাঙথোকপা মীফমদা ৱা ঙাংবদা এমশুগী প্রসিদেন্ট-লুক্রাম মালংবনা হায়-মীতোপ মীয়ানচাশিং খন্দোক্ত্রিবা ফাওবা মীকোক থিবগী থবক চত্থবা য়ারোই হায়বসি এমশুগী অচেৎপা ফিরেপ অমনি। য়েলহৌমীশিংবু মপুং ফানা ঙাকপী শেনবীবা য়াবা আইন সরকারনা শেন্বীগদবনি। পুমমকশিং অসি থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবদা মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমী ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশমদুনা চংশিন্নবা তঙাইফদে।

ঙসিগী মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ১০ লৌদুনা সরকারদা তকশিনবা হায়না লেপখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা য়েলহৌমীশিংদা কিহল্লক্লিবশিং অসিদগী ঙাকথোকবা মীতোপ মীয়ানচাশিং খন্দোক্তুনা হলহনখিবগী থবক পাঙথোকপা হৌগদবনি। মীকোক থিবগা মরী লৈননা মনিপুরদা লৈরিবা ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা লম অসিগা মরী লৈননা নীংথিনা খঙলবা মীওইশিং য়াওবা এক্সপার্ট কমিতি অমা শেমগদবনি, এন.আর.সি. চৎনহনগদবনি অমসুং য়েলহৌমীশিংবু মপুং ফানা ঙাকপী শেনবীবা ঙমগদবা আইন সরকারনা শেমগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

থৌরম অদুদা হান্না এমশুগী মকোক থোংবা ফমশিং পুরস্বা মীওইশিং, কোকোমিগী কনভেন্নর য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

নুমিদাংৱাইরমদা শিংজমৈ পীশুম চীংঙামচাদা লৈবা মহৈরোইশিংগী নীংশিং খুভমদা মৈরা কৎখি।

জিরিবাম জিলাদসু এমসু দিষ্ট্রিক্ট কমিতি জিরিবামনা শিন্দুনা কমিতি অসিগী কনফরেন্স হোলদা ৪৬ শুবা রিএলাইজেসন ডে পাঙথোকখি। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়-এমসুগী ফিরাল চিংখৎপা, তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকপা অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ কৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

এমশুনা শিনদুনা থা অমা চুপা চখ্থরকপা ৪৬ শুবা রিয়েলাইজেসন মন্থসু ঙসি লোয়শিল্লে।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। অদুমওইনমক বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি অয়ুক্কী পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবদমক কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**ককচিং (এল)ঃ** দি.আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-এ. সুভাসনা ঙসি ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন ওফিসার-তেনশুবম রানিতাদা লেপটোপ অমা খুৎশিন্নখ্রে। জিলা অদুগা মরী লৈনবা ই-পাউগী থবকশিংদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা লেপটোপ অদু পীখিবনি।

**বেঙ্ক (এল)ঃ** ফেরজোল জিলাগী সেনভোন খুলদা ঙসি পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ককী অহানবা ব্রান্স অমা হাংদোকখ্রে।

হাংদোকপগী থোরম অদুদা এন.এল.এ. ঙুরশাংলুর সনাতে শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** অচন্বা চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎতুনা লৈবাক লৈহাও ফনা থমবগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপা চখ্থরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি কে.ভি.কে.

চান্দেলগী কম্যুনিতি হোলদা লোয়শিনখ্রে।

ত্রেন্নিং মনুংদা সোইল এন্দ ৱাটর কঞ্জারভেসনগী সবজেক্ট মেটর স্পিসিএলিষ্ট-ডা: কাংজম সোনামণি য়াওনা অখণ্ড অহে কয়ানা তাকপী তম্বীখি।

**এআর (এল)ঃ** ৱাল্ড হেরিটেজ ডেগী মাংওইননা অসাম রাইফলসনা খোংজোমদা লৈবা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী ওজা মঙা অমসুং মহৈরোই ১০০ গা পুন্না খুৎশমদুনা এদুকেসন টুরগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লম-তু শেংখ্রে। লৈবাক অসিগী পুৱারীগা মরী লৈনবা অরীবা হেরিটেজ সাইটশিং ঙাক শেনদুনা থম্বগী ৱাখল্লোন মহৈরোইশিংদা হেন্না ফাওহন্নবগী ৱাখল্লোনদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**সৈনিক (এল)ঃ** একাডমীক সেসন ২০২৫-২৬ কী সি.বি.এস.ইগী ক্লাস টেনগী পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপদা সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী মহৈরোইশিং চাদা ১০০ পাস তৌবগা লোয়ননা কেদেদ ৯৫ গী মনুংদা ৯৩ দিসটিঙ্কসন ফংলে হায়রি। মসিগীদমক স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল-লেফটনেন্ট কর্নেল-ছাতিসক্মারনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়-স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব ষ্টাফশিংনা চোকথবা লৈতনা কন্না হোৎনখিবগী মহৈনা পান্দম অসি ফংবা ঙমখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়ম শেমদোকবা হোৎনবদা সদস্যশিংনা মতেং পাংবীনবা তকশিনখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী নুপী মীয়ামনা সংসদতা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মসিগী ৱারেপশিং খৌরাংনা ঙায়রি। নুপীশিংগীদমক সিট খাক্তুনা থমগদৌরিবা অসিদা রাজনিতি দল খুদিংমকা শৌগৎপীনবা প্রধান মন্ত্রিনা তকশিনখি। মসিনা লৈবাক অসিগী

শক্তি হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংগদৌরিবনি।

**রাজ্য সভাঃ** শ্রী হরি বন্সপু থংন-থংননা অহুমলকশুবা টার্মগী ওইনা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন খনখ্রে। মহাকপু য়েৎনবা লৈতনা খনখি। রাজ্য সভাগী লুচিংবা জে.পি. নদ্দানা শ্রী হরি বন্সপু সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন ওইনা খন্নবা মোসন অদু পুখৎলকখি।

শ্রী হরিবন্সপু অহুমলকশুবা ওইনা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন খল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**স্তার্টঅপঃ** সরকারনা হায়রি-শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা সরকারনা স্তার্টঅপ লিশিং ৫৫ হেন্না মশক খঙদোকখি। মসি ভারত্তা স্তার্টঅপকী থৌশিল হেক হৌখিবদগী চহি অমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়ামা স্তার্টঅপ মশক খঙদোকপা ঙমখিবনি।

কেন্দ্রগী কর্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়না হায়-চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা স্তার্টঅপ ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিবকী মখাদা মশক খঙলবা স্তার্টঅপ পুন্না লাখ অনি লিশিং ২৩ হেল্লে। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গা য়েংনবদা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা স্তার্টঅপ হেনগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৫১.৬ য়ৌখি। হায়রিবা মতম অসিদা হকথেংননা থবক পীবগী চাংসু চাদা ৩৬.১ গী চাংদা ৱাংখৎলকখি।

**মিজোরামঃ** মিজোরামদা হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা পুলিসনা এন্তি নার্কোটিক্স ওপরেসন চথুবদা লুপা কোতি তরেৎ লোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন অমসুং মেথানফেতামাইন টেব্লেত জিলা অনিদগী ফারে।

ৱারোল অমদা পুলিসনা হায়-এপ্রিল ১০ দগী ১৬ ফাওবা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা ম্যান্মার মচা মরি য়াওনা মী ৮ ফাখি। খ্বাইদগী নৌবা ওইনা ঙরাং নৈদোন জঙ্কসনদা খোজোল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা স্কুটর অমা

খাল্লগা চেক তৌবদা দ্রগশিং ফাখি।

**ফুটবোল** ঃ চহি ১৫ মখাগী ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সি.ঐচ.এস.এস.ময়াং ইম্ফালনা এস.বি.এফ.সি. চাজিংবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখ্রে।

**রগবি** ঃ নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়ার নেসনেল রগবি সভেনস চেম্পিয়নসিপ ২০২৬, বিহারগী রাজগীর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ২০ অমসুং ২১ দা পাঙথোক্কদবা নুপাগী মেটচতা শরুক য়াগদৌরিবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। জাতি থাক্কী ওইবা চেম্পিয়নসিপ অসি বিহার ষ্টেট স্পোর্টস ওথোরিতি অমসুং রগবি ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ বিহারগা খুৎশমরগা শিনবনি।

**ক্রিকেটঃ** মেটচ মঙা শান্নগদবা টি-টোইন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট সেরিজকী অহানবা মেটচতা ঙসি ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমগা সাউথ আফ্রিকাগা দরবানগী কিংস মিদতা থেংনরগনি।

মেটচ হৌজিক নুমিদাং পুং ৯ মখায়দগী হৌগনি।